# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 07-01-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৭-০১-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

**অমজ(এল)ঃ** মণিপুর বিধান সভাগী অধক্ষা থোকচোম সত্যব্রটনা হায়রি- পাউমীশিংনা পাউ ফোঙবা মতমদা লৈবাক ইরাং হৌগদবা অমদি মীয়াম নুঙাইরোইদবা পাউশিং ফোঙবীগনু। ৱাফম অসি ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লব লিংখৎখিবগী ৫০ শুবা গোল্ডন জ্বিলি থৌরমগা মরি লৈননা ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি। মহাকা হায়-

**--সাউন্দ বাইট-- (সত্যিব্রট)**

থৌরম অদুদা আই.পী.আর অমসুং হকশেল মন্ত্রি ডা.সাপম রঞ্জন, থাংমৈবন্দ এসেমব্লি কন্সটুয়েন্সগী এম.এল.এ খুমুকচম জয়কিষন, ইদিতরস গিল্ড ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট খোগেন্দ্রো খোমদ্রাম অমদি ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ)গী প্রসিদেন্ট বিজোয় ককচিংতমসু শরুক য়াখি। গোল্ডন জ্বিলিগী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা প্রেস ক্লব অসিগী কম্পাউন্দা লৈবা জর্নেলিষ্ট মেমোরিয়েল পীলরদা পাউমীশিংনা লৈ কত্তুনা লৈখিদ্রবা জর্নেলিষ্টশিংগী মফমদা ইকাই খুমবা উৎখি। থৌরম অদুদা অমজগী প্রসিদেন্ট বিজোয় ককচিংতাবমা অশুমা হায়-

**--সাউন্দ বাইট-- (বিজোয় )**

তুংদা, হৌখিবা চহীদা শিংথানিঙাই ওইবা পাউশিং ফোঙখিবগী জর্নেলিষ্ট এৱার্দসু য়েন্থোকখি। ইম্পেক টি.বিগী এন.বিশ্বরজিৎতা ভিদিও জর্নেলিষ্ট এৱার্দ, সনালৈবাক পাউচেগী ৱাহেংবম রোবিন্সনদা ফোটো জর্নেলিষ্ট এৱার্দ অমসুং দি.ৱাই ৩৬৫ মেদিয়াগী টি.ঐচ বোরুন্দা করেস্পোন্দেন্ট এৱার্দ পীদুনা ইকাই খুমবা উৎখি।

**পুলিস (এল)ঃ** মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী তোঙান তোঙানবা মফম্মশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ওপরেসন চখবা অমসুং এরিয়া দোমিনেসন তৌবগী থবক লেপ্তুনা চখরি। নেসনেল হায়ৱে-৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বী অমসুং নেসনেল হায়ৱে-২ ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা মথং শিৎনা পোৎচৈ পুবা গারি ২১১ অমসুং ৪২৭, পুন্না গারি ৬৩৮ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফালদা পুশিল্লকখ্রে। গারিশিং অসি চংলকপদা অশোয় অঙাম থোকহন্দনবগীদমক ইরাং লৈবা অমদি চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিল থৌরাং লৌখৎলে।

মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চেক পোইন্ট ১০৬ হাংদোক্লুনা চিংনবা মীওইশিং অমদি আইন কাইনা থবক তৌবা মীওইশিং ফাগত্তুনা মচিন হংবগী থবক চখরি। মীয়ামা অরানবা ভিদিও থাগৎলকপা অমদি তোকঙা থাজবীদনবা আপিল তৌরি। রাজ্যগী পুলিস কন্ট্রোল রুমদগী থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-কনাগুম্বনা চিংনবা লৈরবা অমদি অকুপ্পা পাউ খঙনিংলবদি পুলিস কন্ট্রোল রুমগী টেলিফোন নম্বর-৯২৩৩৫২২৮২২ দা পাউ ফাওরকপা য়াগনি হায়রি।

**জিরি(এল)ঃ** জিরিবামগী দিপ্যুতি কম্মিস্নর কৃষ্ণ কুমারগী মীৎয়েং মখাদা জিলা অদুদা ইরাংনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পর্সন্স আই.দি.পীশিংগী ওইবা শান্ন-খোৎনবা অমদি লিটরেরি মিট পাঙথোরকপা অদু ঙরাং লোয়শিনখ্রে। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা জিলা অদুগী জোনেল ইদ্যুকেসন ওফিসর টি.ঐচ অমুরাসি দেবীনা শিন্দুনা খুদক্তা লাই-য়েকপা চাংদম বা, রচনা ইবা চাংদমবনচিংবা পাঙথোকখি। লোইশিনবগী থৌরম অদুদা জিলা অদুগী এ.দি.সি-টি.ঐচ মনোরঞ্জন সিংহনা মকোক মথং তারবশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখি। থৌরম অসি মপুং ফানবা হোৎনবদা জিলা অদুগী এস.পি, রিলিফ কেম্পকী নোদেল ওফিসর, সি.এম.ও অমদি অতৈ মীওই কয়ানা তেংবাংখি

হায়রি।

**দিএমঃ** দিএম কোলেজ ওফ টিচরস ইদ্যুকেসন ইম্ফালগী ৫২ শুবা চহীগী কোলেজ ৱিক ঙরাং হৌদোকখ্রে। নুমিৎ ৬ নি চুপা চথগদবা কোলেজ ৱিক হৌদোকপগী থৌরমদা ত্রেনিশিংনা তোঙান তোঙানবা হাউস মরি খাইদোক্তুনা মার্স পার্স পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা-ত্রেন্নিং তৌরিবা ওজাশিংনা মহৈরোইশিংদা ক্লাস রুমদা লাইরিক তম্বীববখক নত্তনা ক্লাস রুমগী ৱাংমদসু অতৈ কো-করিক্যুলর এক্তিবিতিশিং তম্বীববগী তঙাইফদবা কয়া ফোঙদোকখি। কোলেজ ৱিক অসিদা লিটরেরি মিট, কলচরেল মিট অমদি স্পোর্টস মিটনা মপুং ওইবা থৌরম ওইনা পাঙথোক্কনি হায়রি।

**শাহঃ** গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা ভারত পোল পোর্তেল নিউ দেল্লিদা ঙসি হাংদোক্লগনি। পোর্তেল অদু সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেস্তিগেসন (সি.বি.আই)না শেম্বনি। মসিনা তোঙান তোঙানবা ক্রাইমশিংদা চেন্নবা মীওইশিং লৈবাক থাদোক্তুনা চেনখিবা মতমদা ফাননবা থোকপা রেদ নোতিস অমদি অতৈ কলর কোদেদ ইন্টরপোল নোতিসশিং পীবা য়াওনা ইন্টরপোলগী খুথাংদা মপাল লৈবাক্কী তেংবাং লৌবদা হেন্না লাইথোকহল্লগনি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়-সি.বি.আইনা শেমগৎপা পোর্তেল অসি ঙসি হাংদোক্কদৌরিবা অসি য়ামা ঐতিহাসিক ওইবা খোঙথাং অমনি। মসিনা ভারতকী ইনভেস্তিগেসন এজেন্সী অসিনা আইন কাইবা থবকশিং চত্থবদা নিংথিনা থিগৎপা ঙম্লগনি। লৈবাক অসিবু অশোয় অঙাম থোকহন্দবা হায়বা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ৱাখল্লোন অদু নিংথিনা মাই পাকহনবা ঙম্লগনি। হৃদক পাঙথোক্কদবা গনতন্ত্র দিবস থৌরমদা পুলিস মেদল ফোর দিস্তিংগ্বিস সর্ভিসকী মনা লান্থোক্কদবা সি.বি.আই ওফিসর ২৫ দসু শ্রী অমিত শাহনা ঙসি অখন্নবা মনা লান্থোক্কনি।

**য়ু.জি.সিঃ** কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধাননা লৈবাক অসিগী হায়র ইদ্যুকেসনগী লমদা চৎনগদবা য়ু.জি.সি দ্রাফট রিগ্যুলেস ২০২৫ ঙরাং নিউ দেল্লিদা ফোঙখ্রে। দ্রাফট রিগ্যুলেসন অসিনা য়ু.জি.সিগী মখাদা য়ুনিভর্সিতি অমসুং কোলেজশিংনা মখোয়গী ওজা লৌবা অমসুং প্রমোসন পীবগী থবক মনিং তমা তৌরগনি। য়ু.জি.সিনা খূৎ থিংজিল্লরোই হায়রি। দ্রাফট রিগ্যুলেসন অসিগী মতুং ইন্না নেট অমসুং সেট পরিক্ষা ক্বালিফাইট ওইরবা মহৈরোইশিংনা মখোয়না তম্লকপা দিগ্রি অদুগা মান্নদ্রবসু ওজাগী শিনফম চংবদা অথিংবা লৈররোই। মহৈলোইশঙশিং অসিনা মখোয়গী একাদেমিক পব্লিকেসন অমসুং তাকপী তন্বীবদা লৈবাক অসিগী লোনশিংবু হেন্না শিজিন্নহনবগী ৱাফম য়াওরি।

**ছতিসগরঃ** ছতিসগরগী বস্তর দিভজনদা ঙরাং নক্সলাইটশিংনা আই.ঈ.দি পোখায়হনবগী থৌদোক্তা পুলিসকী মীওই ৯ লৈখিদবগী থৌদোক অদুবু রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা থম্মোই শোকা নুঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক অদুবু নিন্দা তৌরদুনা রাস্ত্রপতিনা হায়-নক্সলাইটকী থবক থৌরমশিং পুংমুৎ মুথৎপা হায়বসি লৈবাক অসিগী পান্দমনি।

রাজ্যগী পৱর মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎনসু ছতিসগরদা থোকখিবা থৌদোক অদুবু য়ামা কন্না নিন্দা তৌখ্রে। সোসিএল মেদিয়াদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মন্ত্রিনা হায়-অৱাবা তারবা পুলিসকী মীওই অদুগী ইমুং মনুংশিংদা ইশ্বরনা থৌনা পীবীবা ওইরসনু।

**ভাইরস ঃ** করনাতক্তা হুইমেন মেতানিউমো ভাইরস (ঐচ.এম.পী.বি) পোজিতিভ ওইবা অনি থেংনরে। হকশেল মন্ত্রালয়না হায়- অনৌবা ঐচ.এম.পি.বি কেস অনি অসি ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিছার্সনা থেংনরকখিবনি। হৌজিক হকশেল মন্ত্রালয়না ভাইরস অসি য়ামা কুপা য়েংশিনবগী থবক চত্থরি। লায়না অসি থা অহুম শুরবা অঙাং নুপীমচা অমগা থা ৮ শুরবা নুপামচা অমগদা নাবা থেংনখিবনি। হৌজিক অঙাং অনি অসিগী ফিভম

খুদোংথিনিঙাই ওইদ্রে হায়রি।

ঐচ.এম.পি.বি ভাইরস অসি অনৌবা নত্তে, মসি হান্নদগী অদুমক লৈরবনি। মীয়ামা মীপাইবীদনবা হকশেল মন্ত্রালয়না আপীল তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

ঙরাং মরিপুর প্রেস ক্লব লিংখৎখিবগী চহী ৫০ শুরকপা গোল্ডন জ্‌বিলি থৌরম পাঙথোকখিবা অমসুং প্রেস সুটি ওইখিবনা পাউচে অয়াম্বা ঙসি ফোঙনদ্রে। অদুম ওইনমক, সেনাপতিদা ফোঙবা হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা-মণিপুরগী হন্দক্কী অরোইবা ফাইনেল ইলেক্টোরেল রোল ফোঙখ্রে। মমাঙগী নুপা নুপী ভোতর লিষ্টকী চাং খেৎনরম্বা অদু হন্থরক্লে হায়বা অমসুং পাউমাইশিংগী নাৎকী কুম্মৈ পাউমাই থৌনি মমিংগী ওইনা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউশিং অসিনা অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোংদা ফোঙবা গানফিউ মেলদা-মণিপুরদগী সেটিলাইট তেক তৌখিবা অমুর ফেলকোন ইচেক সাউথ অফ্রিকাদা থুংখ্রে হায়না ফোঙলি। তামেংলোং তাইমসতা তামেংলোং ৱার্দ নম্বর -১গী মীয়ামা মফম অসিদা লৈরিবা অসাম রাইফলস কেম্পতা অথেংবা মতম ফাওবা লাংবনা মরম ওইদুনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।